**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৌমীশিংগী ওইনা কম্পেলেসেন্টরি ক্রোপ পেকেজগী মখাদা লুপা কোতি ১৩ লাখ ৩০ লিশিং ৪৩১৪ শেনফম কাইথোকপদা রাজ্যপালনা অয়াবা পীখ্রে।

২) হরিয়ানা বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ দা চাউনা মায় পাক্তুনা থংনা থংনা অহুম্লক শুবা ওইনা সরকার পায়রগনি।

জম্মু কাশ্মির বিধান সভা মীখলদা নেসনেল কনফরেন্স অমসুং কংগ্রেস চুংশিন্নবা কাংবুনা সিট ৪৮ ফংলে।

অমসুং

৩) লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা অনৌবা ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন মেদিকেল কলেজ ১০ হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

------

এগ্রি (এল)ঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা লৌউ শিংউবা য়াদবদগী অৱাবা মায়োকরিবা লৌমীশিংগী ওইনা কম্পেলেসেন্টরি ক্রোপ পেকেজগী মখাদা লুপা কোতি ১৩ লাখ ৩০ লিশিং ৪৩১৪ শেনফম কাইথোকপদা রাজ্যপালনা অয়াবা পীখ্রে।

রাজ্য সরকারগী হোম কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা লৌমী লিশিং ২,০৭২ দা থৌরাং অসিনা কান্নবা ফংহল্লগনি। হায়রিবা শেনফম অসি এস.বি.আই সেক্রেটরিয়েট ব্রাঞ্চতা হাংলিবা ষ্টেট ইম্মরজেন্সি ফন্দ এক্কাউন্টতা থমজিল্লগনি। লোয়ননা শেনফমশিং

অসি থাদোকপদা রাজ্য সরকারগী কম্মিসনার হোম অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি হোম অনিনা পুন্না ওপরেট তৌগনি হায়রি।

কাউন্টিং ঃ  সিট ৯০ লৈবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ দা চাউনা মায় পাক্কুনা থংনা থংনা অহুম্লক শুবা ওইনা সরকার পায়রগনি। মীখল অসিদা অকনবা লম্বা ওইরিবা কংগ্রেসনা সিট ৩৭ ফংখি। ইন্দিয়ান নেসনেল লোক দলনা সিট অনিদা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টনা সিট অহুমদা মায় পাকখি।

পনবা য়াবদি, ইং ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা বি.জে.পিনা মেজোরিতি ফংখিদ্রবসু জে.জে.পি অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম.এল.এশিংনা শৌগৎতুনা চুংশিন্নবা সরকার শেমখিবনি।

মায় পাক্লবশিংগী মনুংদা বি.জে.পি লচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-নায়ব সিংহ সাইনি, কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ভুপিন্দর সিংহ হুদা অমসুং কংগ্রেস মীরেপ- রেষ্টলর-দিনেস ফোগত য়াওরি। হরিয়ানা বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অমখক্তদা থা অসিগী ৫ দা ভোৎ থাদনখিবনি। সিট ৯০ লৈবা জম্মু কাশ্মির বিধান সভা মীখলদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর নেসনেল কনফরেন্সনা সিট ৪২ ফংদুনা চাউনা মায় পাকখ্রে। নেসনেল কনফরেন্স অমসুং কংগ্রেসনা সরকার শেমবা থৌরাং তৌখ্রে। মীখল অসিদা সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবা বি.জে.পিনা সিট ২৯ দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, নেসনেল কনফরেন্সকা খোংবু ওইরিবা কংগ্রেসনা সিট তরুক্তা মায় পাকখি। মসিগী মনুংদা কাশ্মীর তম্পাক্তগী সিট ৫ অদুগা জম্মু প্রোভিন্সতা সিট অমা ফংখি। মীখল অসিদা কংগ্রেসনা নেসনেল কনফরেন্সকা সিট সিয়ারিংদা তৌদুনা পুন্না মীরেপ ৩২ থাগৎখিবনি।

য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিগী মীখলদা জম্মু এন্দ কাশ্মির পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টিনা সিট অহুমদা মায় পাক্লে। ইন্দিপেন্দেন্টনা সিট তরেৎতা মায় পাকখি।

মায় পাক্লবশিংগী মনুংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং নেসনেল কনফরেন্স

লুচিংবা ওমর অব্দুলানা য়াওরি। জম্মু এন্দ কাশ্মির পিপলস কনফরেন্সকী লুচিংবা সাজদ গামি লোননা হনৱারাদগী মায় পাক্লে। সিট ৯০ লৈবা জম্মু কাশ্মিরগী রাজ্য বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অহুম থোকা মমাং থাগী ১৮ অমসুং ২৯ অমদি থা অসিগী অমদা ভোট থাদনখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বি.জে.পিনা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলদা চাউনা মায় পাকপা অসি ভারতকী গনতন্ত্র অমদি সংবিধানগী মায় পাকপনি। মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুং ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিনা হায়- হরিয়ানাদা থংনা থংননা টার্ম অহুল্লক বি.জে.পিনা মায় পাক্লকপা অসি চাওখৎপা অমসুং অফবা লৈঙাক সাসন অমগী মায় পাকপনি। মসিদা দল অসিগী কারিয়াকর্তাশিংগী চোকথবা নাইদবা হোৎনজমন য়াওরি। মহাকা দল অসিনা হরিয়ানা অমদি জম্মু কাশ্মীরদা মীখলদা চাউনা মায় পাক্লকপা অসিগীদমক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দলগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দানা হায়- বি.জে.পিগী অচৌবা মায় পাকপা অসি মীয়ামা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু থাজবা হেনগৎলকপগী খুদমনি। লুচিংবা অসিগী মখাদা বি.জে.পি সরকার মীয়ামগীদমক মতিং লৈনা তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হরিয়ানা বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্লকপদগী দল অসিগী কারিয়াকার্তাশিং দলগী মকোক থোংবা মীওইশিংদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- হরিয়ানা ঐতিহাসিক ওইরবা মায় পাকপা অসিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগুম্বা লুচিংবা অমদা মীয়ামা কয়াগী মতিক থাজবা থল্লি হায়বদু উৎলে। শ্রী মোদিগী লীচিং মখাদা লৈবাক অসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা অহোংবা কয়া পুরক্কুনা চাওখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থারি।

এআর (এল)ঃ খুদোংথিবা থৌদোক অমদগী কিদনিদা শোক্কুনা অরুবা ফিভমদা লৈরকখিবী চহি ১২ গী নুপীমচা অমা আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী

মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলস অমদি আর্মি এভিএসন্না ঙরাং অয়ুক এয়ারলিফট তৌখ্রে। অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়- নুপীমচা অসি থা অসিগী ৩ দা লাইবক থিবা থৌদোক অমা মায়োকবদগী শোকখিবনি। মহাক্কী ফিভম লুশিল্লকপা অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা লায়েংবদা খুদোংচাদবা মায়োকরকপদগী মখা তানা লায়েংনবা গুৱাহাতিগীদমক এয়ারলিফট তৌখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী খুমজিদা লৈবা বেরিয়ান বেপটিষ্ট একাদমিগী ২০ শুবা চহিগী স্পোর্টস মিট ঙরাংদগী হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা ফুটবোল মেটচ অমা শান্নখি। স্পোর্টস মিট অসি থা অসিগী ১১ দা লোইশিনগনি।

লেবর ঃ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা অনৌবা ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন (ই.এস.আই.সি) মেদিকেল কলেজ ১০ হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ১৯৪ শুবা ই.এস.আই.সিগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অনিগী নীংতম নুমিৎতা লাক্লিবা চহি ৫ অসিদা মেদিকেল সিট লিশিং ৭৫ হাপকৎনবা লৌখিবা ৱারেপ অদু শৌগৎলদুনা পায়খৎকদবনি। মহাকা হায়- লৈঙাক অসিনা অতল বিমিত ব্যাক্তি কল্যান য়োজনা মখা তানা চহি অনি শাংদোক্লে।

মীফম অদুদা ই.এস.আই.সি অসি পান ইন্দিয়া বেসিসতা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী মনুংদা কোনশিল্লগনি। মহাকা হায়- মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা আয়ুসমান প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা হোস্পিতালশিংদসু ই.এস.আই.সিগী বেনিফিসরিশিংসু লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরগনি। ডাঃ মন্দাভিয়ানা হায়- সরকার অসিনা ই.এস.আই.সি মেদিকেল কলেজশিংদা পেরা মেদিকেল অমদি বি.এ.সি নর্সিংগী কোর্স হাংদোকপদসু অয়াবা পীরে অমসুং নর্সিং ওফিসারশিং থবক লৌবদা এইমসকী রিক্রুটমেন্ট পোলিসি চৎনরগনি।

ভিজিৎ ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ন্‌মিৎ নিনিগী খোঙচৎতা হয়েং লাওসতা চৎলগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা লাওসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১ শুবা আসিয়ান-ইন্দিয়া সম্মিৎ অমদি ১৯ শুবা ইষ্ট এসিয়া সম্মিৎতা শরুক য়াগনি।

সম্মিৎ অসিগী লোইশিল্লকপদা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা নাকল অনিগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

৭০ শুবা ব্লাইন্ড লাইফ ব্রিক পাঙথোকখিবা, লৈঙাকা মশক খঙদবা খুলশিংদা লৈঙাক্কী কান্নবা ফংহল্লোই হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ব্রাফম, হরিয়ানা অমদি জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগী ফল লাউথোকখিবা অমসুং ই.দিনা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সম্মোন থারকপগী থোওংবু এম.পি.সি.সিনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

ব্লাইন্ড লাইফ ব্রিক ২০২৪ পাঙথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা লৈঙাকা মশক খঙদবা খুলশিংদা লৈঙাকা কান্নবা ফংহল্লোই হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ব্রাফম অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ, গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পোকফমদা ইং ১৯৪৬ কা মতুংদা শেম্বা অনৌবা খুলশিং খঙদোকবা হোৎনবদা কনা অমত্তনা ব্রারৌনিঙাই লৈতে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ব্রাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- লমলেম খোপচিন্নিংবা কাংবুগা পট্টা শাগদবগী ঙাইদুনা লৈবা কাংবুগা পুনবদগী উমং মাংশিল্লকপনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- ব্লাইন্ড লাইফ ব্রিক গ্রান্দ ফিনালে পাঙথোকখ্রে, পোলিতিসিয়ান, ওফিসিয়েলশিং পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তাই হায়বা

মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- ইম্মিগ্রেন্ট ইসুনা মণিপুরদা চৈথেং লাক্কনি হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসিদা য়ুমলোন্নবা ষ্টেটশিং মিজোরম অমসুং নাগালেন্দদা ইম্মিগ্রেন্টকা মরী লৈননা নোতিফিকেসন থোকখিবনা মণিপুরদসু ঈথিল লাকপা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না মীতোপ চংশিল্লকপা থিংনবা মিৎশিং নাশিংনা লৈনবা ওফিসারশিংদা খঙহনখ্রে হায়না ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জম্মু কাশ্মীর অমদি হরিয়ানা মীখলগী ফল লাউথোকখিবগী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি। হুইয়েন লানপাউদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদগী আর্তিকল ৩৭০ লৌথোক্লুবগী পাউখুম পীরকখ্রে, সিট ৯০ লৈবা মীখলদা বি.জে.পি ২৯ দগী হেন্না কাদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরদা দেঙ্গি মীপাইনিঙাই ওইরি, লায়না অসিনা লৈখিদবা মীওই অহুম শুখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ই.দিনা সম্মোন তৌরকপবু মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউ অসি মণিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌবা থেংনরি।

------